

# সনালৈবাক স্পোর্টস





*জর্মন্না ক্বাটর ফাইনেল চংবদা হরাও তন্বা ফোংলিবী লৈবাক অসিবু শৌগৎপী অমা*

*ফ্রান্সনা কপ অসিগী প্রি ক্বাটরগী মেটচতা মায়পাকপদা হরাওরিবী নুপী অমা*

## ফিফানা শিনবা ২০শুবা ৱার্ল্ড কপ

# ফ্রান্স অমদি জর্মন ওপোনেন্ট টিমবু মায়থিবা পিদুনা ক্বাটর ফাইনেল চংখ্রে



*রিও দি জেনেরো, জুলাই ১ঃ*
ব্রাজিলনা যুম্থু ওইদুনা চথরক্লিবা ফিফা ৱার্ল্ড কপ অসিদা ফ্রান্স অমদি জর্মনসু মায়পাক্কুনা ক্বাটর ফাইনেল চংখ্রে ।

অহানবা ওইনা শান্নখিবা মেটচ অদুদা ফ্রান্সনা আফ্রিকাগী লৈবাক অমা ওইরিবা নাইজেরিয়াবু গোল ২–০দা মায়থিবা পীরমখি । হন্দক্কী ৱার্ল্ড কপ অসিদা সি এ এফ হায়না খংনরিবা আফ্রিকাদগী লৈবাক ৫না কপ অসিদা শরুক য়াবদা প্রি ক্বাটর ফাওবা চংখিবা লৈবাক অসি নাইজেরি অমদি অলজেরিয়ানি ।

লৈবাক অনিমক য়ুরোপকী লৈবাক অনিগী মখুত্তা প্রি ক্বাটর ফাইনেলদা মায়থিহৌদুনা লৈহৌরে । অলজেরিয়াসু জর্মনিগী মখুত্তা মায়থিহৌদুনা লৈহৌখিবনি ।

অহানবা শান্নখিবা মেটচ অদুদা ফ্রান্সতগী নাইজেরিয়ানা বোল হেন্না পায়দুনা শান্নখি । মরক মরক্তা ফ্রান্সনা বোল পুশিন্দুনা গোল চন্নবা এটেক্ট তৌখি অদুবু নাইজেরিয়াগী গোলকিপর অস্তিন ইজিদিনা কয়ারক হন্না সেফ তৌদুনা ফ্রান্সকী অফবা শান্নরোইশিংনা গোল এটেম্প তৌদুনা কাওরকখিবা বোলশিং অদু গোল ওন্থোকপা ঙমহনখিদে ।

সেকেন্দ হাল্ফ হৌদুনা টিম অনিমক্না মখা তানা শান্নরকখি । মেটচ অদুগী সেকেন্দ হাল্ফ মনুংদসু নাইজেরিয়ানা বোল হেন্না পায়দুনা শান্নখি অদুবু ফ্রান্সনা বোল হেক ফংবগা গোল চন্নবা এটেম্প তৌবদি লেপখিদে । মেটচ অদুগী ৭৭শুবা মিনিটতা ফংবা কোর্নরকিক অমা ভালগুনানা কাওরকপদা পৌওল পোগবানা হেদিং তৌশিন্দুনা গোল ওন্থোকখি ।

নাইজেরিয়ানা মখা তানা বোল হৌদুনা শান্নরকখি মেটচ অদুগী ৯০+২ চৎপা মিনিটতা ফ্রান্সকী ভালগুনানা লৈখৎলকপা বোল অমা নাইজেরিয়া টিমগী জেসেফ য়োবোনা ঙাকথোকপদা গোল মাউথ মনুংদা চংখিদুনা আউন গোল ওইবগা লোয়নবা ফ্রান্সকী অনিশুবা গোল ওইখি ।

অপিবা মতম লোইবা ফাওবদা নাইজেরিয়ানা গোল অমা ফাওবা হন্দোকপা ঙমদনা মেটচ অদুদা মায়থিদুনা আফ্রিকাগী লৈবাক অনিগী মনুংদা প্রি ক্বাটরদা লৈহৌবা অহানবা ওইখি ।

নিংবা কাইরবা নাইজেরিয়াগী মীয়াম্না মেটচ অদুগী অনিশুবা গোল অদু চনখ্রবা মতুংদা বোল লোইবা ফাওবা লৈনিংদনা ষ্টদিয়মদগী তপ্না তপ্না মপান্দা থোক্লখি ।

অতোপ্পা মেটচ অমা ওইনা রিও দি জেনেরোদা লৈরিবা ষ্টদিও দো মার্কনাদা জর্মন অমদি অলজেরিয়া অনি শান্নখি । অহানবা হাল্ফকী মতম লোইবা ফাওবদা টিম অনিনা গোল অমত্তা চন্নবা ঙম্মখিদে । মেটচ অদুগী ৪২শুবা মিনিটতা অলজেরিয়াগী রাফিক হলিচেবু রেফ্রিনা য়েল্লো কার্দ অমা বুক তৌখি ।

সেকেন্দ হাল্ফ হৌদুনা টিম অনিনা মখা তানা শান্নখি । সেকেন্দ হাল্ফ মনুংদসু টিম অনিমক্না গোল অমত্তা চনবা ঙম্মদনা দ্রো ওইখি । টিম অনিমক্না মিনিট ৯০ মেটচ অদুদা গোল অমত্তা চনবা ঙম্মদবদগী এক্সত্রা টাইম মিনিট ৩০ হাপ্তুনা শান্নখি । এক্সত্রা টাইমগী অহানবা শরুক অদুগী অহৌবা



মিনিট অনিদা জর্মনগী এন্দ্রে সেচুরেলনা ৯২শুবা মিনিটতা গোল অমা চনবা ঙমখি । এক্সত্রা টাইমগী অহানবা হাল্ফ লোইবা ফাওবদা এলজেরিয়ানা গোল হন্দোকপা ঙমখিদে ।

আফ্রিকাগী অমত্তা ঙাইহৌরবা লৈবাক অসিনা ক্বাটর চংনবগীদমক্তা জর্মনবু মায়থিবা পীদবা য়াদে খন্দুনা মখা তানা শান্নরকখি । মেটচ অদুগী ১০৭ শুবা মিনিটতা জর্মনগী কেপ্টেন ওইরিবা ফিলিপ লামবু রেফ্রিনা য়েল্লো কার্দ অমা বুক তৌখি ।

মেটচ অদুগী মিনিট ১২০ চৎপদা হায়বদি এক্সত্রা টাইমগী অরোইবা মতম অদুদা জর্মনগী মেসুত ওজিন্না গোল অমগা অমুক চনশিন্দুনা টিমগী গোল ২শুহনখি । মসিগী মতুং মিনিট ১ চৎপদা মেটচকীনা ১২০+১ হায়বদি এদিসনেল মিনিটতা অলজেরিয়াগী দাজোবৌনা গোল অমা চন্দুনা গোল ১–২দা লৈহনখি । এক্সত্রা টাইম য়াওনা ফুল টাইম লোইবদা অলজেরিয়ানা জর্মনগী মাইয়োক্তা গোল অমদগী হেন্না চনবা ঙমদদুনা জর্মনগী মখুত্তা মাইথিদুনা লৈবাক অসিসু আফ্রিকাদগী শরুক য়াখিবা লৈবাক ৫গী মনুংদা প্রি ক্বাটর ফাইনেল চংবা লৈবাক ওইবগা লোইননা ৱার্ল্ড কপ অসিদগী লৈহৌরে ।

হৌজিক ফাওবদা প্রি ক্বাটর ফাইনেল মাইপাক্তুনা ক্বাটর চংলবা লৈবাকশিং অদুদি যুম্থু ওইরিবা ব্রাজিল, কলমবিয়া, নেদরলেন্দ, কোষ্টারিকা, ফ্রান্স অমদি জর্মনিনি ।

অহানবা ক্বাটর ফাইনেল মেটচ ওইনা ঙরাং মায়পাকখ্রবা ফ্রান্স অমদি য়ুরোপকী অতোপ্পা লৈবাক অমা ওইরিবা জর্মনগা হায়বদি য়ুরোপক্কী লৈবাক অনিনা অহানবা মেটচ অসিদা থেংনগনি ।

হন্দক্কী চহি অসিদা য়ুরোপ্তগী শরুক য়াখিবা লৈবাকশিংগী মনুংদা ক্বাটর ফাইনেলদা থেংনবসি ফ্রান্স অমদি জর্মন ওইরি ।

জর্মন অমদি ফ্রান্স ৱার্ল্ড কপকী প্রি ক্বাটর, ক্বাটর অমদি সেমি ফাইনেলদা কয়ারক হন্না থেংনবদা জর্মন্না অয়াম্বা মতমদা মায়পাক্তুনা লাকখিবনি ।


অনিশুবা ক্বাটর ফাইনেলগী মেটচতা সাউথ আমেরিকাগী লৈবাক অমা ওইরিবা ব্রাজিলগা নোর্থ আমেরিকাগী লৈবাক অমা ওইরিবা কলমবিয়াগা থা অসিগী ৫দা ক্বাটর ফাইনেল শান্নরগনি ।

মথংগী নুমিৎ তাং ৬তা নেদরলেন্দ হায়না খংনরিবা দটচ হায়রগসু খংনবা লৈবাক অসিগা নোর্থ আমেরিকাগী লৈবাক অমা ওইরিবা কোষ্টারিকাগা শান্নগনি ।










# আই সি সিনা লাও ভিনসেন্টগী লাইফ বেন তৌবগী মতাংদা খন্নখ্রে

*দুবাই, জুলাই ১ঃ*
আই সি সিগী ফমখিবা মীফম অমনা নিউ জেলেন্দগী ক্রিকেটর অমা ওইরিবা লাও ভিনসেন্টবু মপুন্সি চুপ্পগী অথিংবা থম্নবগী মতাংদা খন্ন–নৈনদুনা শান্নরোই অসিগী মথক্তা মপুন্সি চুপ্পগী ওইনা মশান্না অসিদগী অথিংবা থম্বা হায়না ৱারেপ লৌখিবনি ।

শান্নরোই অসিগী মথক্তা আই সি সিগী এন্তি কর্পসন কোর্ডকী মতুং ইন্না মপুন্সি চুপ্পগী অথিংবা থম্বা অসি অচুম্বা খোংথাং অমনি হায়না মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা আই সি সিগী মেম্বরশিংনা ফোংদোকখ্রে।

মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা দেবিদ রিচার্দসন্না হায়খিবদা শান্নরোই খুদিংমক্কী মথক্তা অসিগুম্বা মখলগী অথিংবা থম্বসি অফবা খোংথাং অমনি মসিনা শান্নরোই অদুগী মপুন্সি চুপ্পা হোৎনজরকপা অদুবু অরেম্বদা মাংনবগী মরম অমা ওই হায়বসি খন্দুনা মখোয়না অসিগুম্বা থবক অসি মখা তানা তৌদনবা হোৎনবা চুমগনি হায়খি ।

আই সি সিগী চিফ একজিক্যুটিফ ওইরিবা রিচার্দসন্না হায়, শান্নরোই অসিগী মথক্তা আই সি সিনা লৌখৎলক্লিবা খোংথাং অসি ইংলেন্দ এন্দ ৱেলস ক্রিকেট



বোর্দকী সপোর্টরশিংনা শৌগৎলি লোয়ননা চেম্পিয়ন লিগ টি ২০গী গর্ভনিং কাউন্সিলনসু শান্নরোই অসিগী মথক্তা এন্তি কর্রপসনগা মরি লৈননা মপুন্সি চুপ্পগী অথিংবা থম্বা অসি মরম চাই হায়খি ।

রিচার্দসন্না মখা তানা হায়খিবদা আই সি সিনা কপর্সন্দা চেন্নবা শান্নরোইশিংবু মপুন্সি চুপ্পগী অথিংবা থম্নবা খোংথাং অমা লৌখৎপসি কনাগুম্বা অমত্তগী থৌইনশিন য়াওদনা মশান্না অসিদা করর্পসন হায়বসি য়াওদনবা লৌখৎলকপা খোংথাং অমনি ।

শান্নরোই অসিগী মমাংদা ঈ সি বিনা নাবিন অরিফকী মথক্তসু কর্পসনগা মরি লৈননা অথিংবা থম্নবা ৱারেপ লৌখিবা লৈখ্রে ।

লৌখৎলক্লিবা আই সি সিগী ৱারেপ অসি খংলবা ক্রিকেটরশিংনা ক্রিকেট শান্নবদা পুক্নিং চংনা মাইওন্সিদুনা লৈননবা হায়খি । মসিগী মহুত্তা কর্রপসন তৌরুবা ক্রিকেটর খুদিংমক অমদি আই সি সিগী মখাদা লৈবা গর্ভনিং কাউন্সিলগী মীহুৎশিংনা কর্রপসন তৌই হায়বগী খুদম ফংলবদি মখোয়বুসু মপুন্সি চুপ্পগী অথিংবা থমগনি ।

এন্টি কর্রপসনগী কাংবু অসিনা ক্রিকেট শান্নরিবা শান্নরোইশিংদা হন্দক্কী অসিনা পারা অমা ওইনা কর্রপসন্দা চেন্নবা মীওইশিংবু অথিংবা থম্বগী থবক অমা লৌখৎলিবসি মশান্না অসিদা অচুম্বা পুরক্লবগীনি হায়খি ।

# দিফেন্দিং চেম্পিয়ন এন্দি মুরে অমদি নোভাক জিনকোভিক ক্বাটর ফাইনেল চংখ্রে


*লন্দন, জুলাই ১ঃ*
মমাং চহিগী ৱিমব্লেদনগী চেম্পিয়ন ওইখিবা এন্দি মুরেনা প্রি ক্বাটরদা মায়পাক্তুনা ক্বাটর চংখ্রে, অতোপ্পা মেটচ অমদা নোভাক জিনকোভিকসু মহাক্কী ওপোনেন্টপু মায়থিবা পীরমদুনা ক্বাটর ফাইনেলদা চংখ্রে ।

ৱিমব্লেদনগী দিফেন্দিং চেম্পিয়ন ওইরিবা বৃটিশকী শান্নরোই এন্দি মুরেনা ঙসি ফোর্থ রাউন্দদা হায়বদি মরিশুবা রাউন্দদা সাউথ আফ্রিকাগী মচিল তুমখৎলক্লিবা শান্নরোই অমা ওইবগা লোয়ননা হৌজিক মালেমগী ২০শুবা সিদেদতা ওইরিবা কেভিন এর্ন্দসনবু ষ্ট্রেট সেটতা মায়থিবা পীদুনা ক্বাটর চংখিবনি ।

মেটচ অসি শান্নরিঙৈগী অনিশুবা সেটতা নোংনা মরম ওইদুনা মতম খরা শান্নবা লেপ্লুরবা মতুংদা মখা তানা শান্নবদা এন্দি মুরেনা কেভিন এর্ন্দসনবু ৬–৪, ৬–৩, ৭–৬ (৬)তা মায়থিবা পীদুনা ক্বাটর ফাইনেল চংলকখিবনি।

শান্নরোই অসিনা হন্দক্কী ৱিমব্লেদন অসিদা হৌজিক ফাওবদা সেট ১২ মায়পাক্লি মসিদা পুন্না গেম ৩২ লৈখি ।

শান্নরোই অসি ইং ২০১২দা লন্দন্না যুম্থু ওইদুনা ওলেম্পিক গেমস অদুদা মশান্না অসিদা গোল্ড মেল্ড লৌখিবা শান্নরোই অমনি । মহাক্না মমাংগী চহিদা ৱিমব্লেদনগী টাইটল লৌখিবসি চহি ৭৭কী মতুংদা অহানবা ওইনা ৱিমব্লেদন লৌবা বৃটিশকী শান্নরোই অমসু ওইখিবনি ।





অমরোমদা টোপ সিদতা লৈরিবা নোভাক জিনকোভিক্না মহাক্কী ওপোনেন্ট ওইরিবা জো ৱিলফেন তাসোঙাবু ষ্ট্রেট সেটতা মায়থিবা পীদুনা মহাকসু ক্বাটর ফাইনেলদা চংখ্রে ।

জিনকোভিক্না ষ্ট্রেট সেট মাইপাকপা অসি থারগা হৌজিক ফাওবদা শান্নরোই অসিনা ৱিমব্লেদনগী মেটচতা ষ্ট্রেট সেটতা মাইপাকপা ১১রক শুবা ওইরি । জিনকোভিকানা তাসোঙাবু ৬–৩, ৬–৪, ৭–৬ (৫)দা মায়থিবা পীরমখিবনি ।

জিনকোভিকনা অহানবা সেট অদুগী মেটচ পোইন্ট অদুদা কোর্ট মনুংদা ক্রোষ্ট ওইনা বেক হেন্দ রির্টন তৌখি লোইননা মায়পাকপসু ঙমখি । মহাক্না য়ৈখিবা বোল অদু লাইনদা চপ চানা তাবগা লোয়ননা মায়পাকপা ঙমখি । জিনকোভিক ইং ২০১১দা ৱিমব্লেদনগী চেম্পিয়ন ওইখিবা শান্নরোই অমনি । মহাকপু মমাংগী চহিদা ফাইনেল মেটচতা এন্দি মুরেনা মায়থিবা পীরমদুনা রনর্স অপ তাহৌখিবা শান্নরোই অমনি । মথংগী মেটচতা শান্নরোই অসিনা ক্রোএসিয়াগী মেরিন চিলিক্কা শান্নগনি ।